# মৈশালক্তা নিংঙোল চাক্কৌবা

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

ইরমদমনা ওইগী লমদাং ওইরিবী, মৌগী শীংদা চনখ্রবী, য়ুম্নাক শাগে হোংখ্রবী, লৈকায় লান্না লৈখ্রবী নুপীজা ওইবীশিংগী অমত্তা ঙাইরবা মবুং-মৌপ্বাশিংগা অমদি অপোকপা-অপোকপীশিংগা উনজদুনা পুকমেন পাওমেন্নজবগী, নুংঙাই মীনোক তমজবগী অমদি মথেল কয়ানা লৈতেংলবা অহাওবা চাকলেন চামিন-থকমিন্নবগী চহী অমদা নোংমখক পাঙথোকচবা তাঙলবা থৌরমনি নিংঙোল চাক্কৌবা। তাঙলবা থৌরম অসিনা লাকপদা লমদম তাম্না লৈখ্রবা ইরমদম কংলৈপাক্তা পোকচদুনা চাউরকখিবা কংলৈচা ঐখোয়সু হৈত-হৈত, খঙদা-খঙদা অঙন্বা হোৎনজদুনা ওইগী লমদাং ওইরিবী নুপীজাশিংবু ইকায়খুম্নজবা অমদি নুংশিবা উৎচদুনা পাঙথোকচৈ থৌরম মীরমলেন টাইৱান্দসু। থম্মোয়দা চাউথোকচবা পোকচৈ লমদম তাম্না লৈজখ্রবসু ইরমদমগী চৎনবী, হৌনা-লোনচৎ, থৌগল্লোন, ইরোল, ঈনাৎ, লাইনীং-লাইশোলবু ইন্দুনা চৎচবদা।

মমাঙ চহীশিংদা পাঙথোক্তুনা লাকপগুম হন্দক চহীগীসু টাইৱান্দা লৈজরিবা ইমুং অনী হায়বদি ইনাও চোংথাম জয়ন্তগী ইমুং অমদি ঐহাক্কী ইমুং লোয়ননা মহে মশীন তমদুনা লৈরিবা ইরমদমগী ইনাওশিংগা পূনশিন্দুনা পাঙথোকচৈ হন্দকসু ইরমদমগী অমত্তা ঙাইরবা নিংঙোল চাক্কৌবা। অসিগুম্বা ইরমদমগী অমত্ত ঙাইরবা, তাঙলবা থৌরম অসিদা শরুক য়াজরিবা ইচাশিং, ইচলশিং অমদি ইনাওশিং অসিনা হরাও-হরাও ৱারী-ৱাতাই শানমিন্নবা, চামিন্নবা, নোকমিন্নবা, নুংঙাইজবা, হরাওজবা উবদা থম্মোয়সি পেঞ্জরিবনি চহী খুদিং। অসুম্না ঙাইহাক চামিন থকমিন্নবা, ঙাইহাক মোমোন নোকমিন্নবা অসিদসু কনাগুম্বা খরদি 'নখোয় নুংঙাইরো, শোমদনা মণিপুর মুনখিদৌরে' নৎত্রগা 'পকত্রেদা ঈরাং মরকসিদা' হায়বনচিংবা করেম্নমা হায়রকপা কয়া য়াওদবসু নত্তে। হায়জনীংবদি, ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুর অতোপ্পনা মুনখিদৌরে, মৈহৌরে নৎত্রগা ৱারে হায়দুনা ঐখোয় পূনশিন্দুনা কপ্পুনা লৈথোক্তুনা ওইগী লমদাং ওইরিবী নুপীজা ওইবী কয়াগী অমত্তা ঙাইরবা মবুং-মৌপ্বাশিং অমদি মমা-মপাশিংগা চহী অমগী মনুংদা য়াম্না তাঙনা অমুকখক উনজবা অসিফাওবা তোকথোল্লকসি হায়রিব্রো হায়না হংজনীংই। ইরমদম মুনখিদৌরে, মৈ চাক্লে হায়দুনা ইরমদম কংলৈপাক্তসু নিংঙোল চাক্কৌবা তৌদব্রা হায়না হংজনীংই। তোকপদি লায়রদনা হন্দক্তি নুমিৎ নীনিদুম পাঙথোকখিবা নৎত্রা। মীরমদা থাপ্পা লৈখ্রবসু ঐখোয়গী ঈনাৎপু, লাইনীং লাইশোলবু অমদি হৌন-লোনচৎ, থৌগল্লোনবু ইন্দুনা চৎলি হায়না থাগৎপীবগী মহুত্তা হান্না য়েৎকন্দবগী তৌবা মীওই কয়া অমসু লৈরিকো ইরমদমসে।

মপালদা লৈজরবসু ইরমদমগী ঈনাৎ-ইরোল, লাইনীং-লাইশোনবু খজিক্তা ওইরবসু কঞ্জনবা হায়দুনা হৈত-হৈত, খঙদা-খঙদা অঙন্বা খরা হোৎনজরিবসি পূক্নিং থৌগৎপীফম থোক্তব্রা। পূক্নিং থৌগৎপীনীংবা লৈত্রগনা কম্মেন্ট অমত্তা পীবিরক্কনু, তুমিন্না লৈবিয়ু। মীরমদা লৈদুনা ইরমদমগী ঈনাৎ-ইরোল, লাইনীং-লাইশোল অমদি হৌন-লোনচৎ, থৌগল্লোনবু থম্মোয়নুংদা চেৎনা কোন্দুনা ইঞ্জনবা হোৎনবা হায়বসি অরাইবদি নত্তে অতোপ্পা নাৎ অমদি লাইনীং-লাইশোন কয়াগী ঈপাকসিদা তিন্দুনা নাইতোম তারবা ঐখোয় খরনা হোৎনজবসে। মীরমদা লৈখ্রবা নাইতোম তারবা ঐখোয়গী ৱাফমদি থম্মু থমখ্রসি ইরমদমদা লৈনা-লৈনা ইশাগী নীংথিজখ্রবা, মতিক-ময়াই লৈখ্রবা ঐখোয়গী ঈনাৎ-ঈরোল, ইশাগী হৌরকফমগী লাইনীং-লাইশোন, হৌন-লোনচৎ, থৌগল্লোন, য়ূম্বাল্লোন, ৱাঙাঙ-শঙাঙনচিংবশিং অসিবু ইন্দুনা চৎলবদি পুন্সিদা থৌজাল ফংগনি, মায় পাক্কনি, থৌনা লৈগনি হায়না ইপা-ইপুশিংনা থন্বীরম্লবা মতিক-ময়াই লৈরবা পোৎলম কয়া অসিবু অতোপ্পা মীরমগী মরোলনা, চৎনবীনা, লাইনীং-লাইশোলনা হেন্না ফৈ হায়দুনা থৌশাদনা হুন্দোকপীরিবা অসিনি। অসিগুম্বা মখোয়গী ৱাখল থেনবা, লাপ্পা উবা ঙমজদবা, হৌজিক হৌজিক্কী কান্নবা খক্তং খঞ্জবা ৱাখল্লোন অসিনা অকায়বা, অয়েৎপা, মরিং মরাংবা কয়া থোকহল্লিবসিনি। অসিগুম্বা পামদবা, অরানবা মখোয়গী ৱাখল্লোন অসিবু খজিক্তা ওইরবসু অচুম্বা লম্বীদা পুরকপা ঙমগদ্রা খঞ্জদুনা অরাপ্পা মীরমদা অতোপ্পগী নাৎ অমদি লাইনীং-লাইশোল কয়াগী চাউরবা ঈপাকসিদা নাইতোম হোৎনজরিবা ঐখোয়বু করেম্নবগী ৱাহৈশিং শীজিন্নদুনা ঐখোয়গী পূক্নিং হন্থনবা হোৎনবা কয়া লৈতবসু নত্তে। মখোয়গী অসিগুম্বা করেম্নবগী ৱাহৈশিং অসিনা ঐখোয়বু পূক্নিং পিকথহনগনি হায়না খনবদি য়াম্না লানগনি হায়না থমজগে। মখোয়গী অসিগুম্বা ৱাখল্লোন অসিনা হেন্না হেন্নদুম ইনাৎপু অমদি ইশাগী লাইনীং-লাইশোলবু শৌগৎচনীংবা, নুংশিবা পোকহল্লি। মসি হায় হায়দুনা অতোপ্পগী লাইনীং-লাইশোনবু ইকায়খুম্নবা উৎকনু হায়বদি নত্তে, তৌবতবু ইশাগী হৌরকফমগী ওইবা ঈনাৎ, লাইনীং-লাইশোল অমদি হৌন-লোনচৎতো হান্না নিংথিনা খঙদোকউ হায়জবনি। মদুগী মতুংদা চৎনীংবা চৎচখো, ইন্নিংবা ইঞ্জখো তৌবতবু করিসু খঙবা তৌদনা হন্থনা য়েংবগী হৈনবীদুদি থাদোকপীয়ু।



ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাই অসুক চয়েৎননা অমদি ৱানা হিংলিবসি ঐখোয়গী হৌরকফম মমাঙঙৈগী ইনিংথৌশিংনা, অঙন্বশিংনা অমদি অহল-লমনশিংনা ইশাগী ঈনাৎ লাইনীংবু থৌশারুদবগী থোকখিবনি। মদুগী ফৎত্রবা মহয় ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাইনা ফংলি। অদুগুম্বা থৌশারুদবা অমদি হন্থনা য়েংলুবগী ৱাখল্লোন অদুনা লমজিংদুনা ইশাগী লাইনীংবু, ইরোলবু অমদি ঈনাৎপু অতোপ্পগী মরোল, মনাৎ, লাইনীং-লাইশোল অমদি চৎনবীনা হেল্লি খন্দুনা লৌরুবদগী চয়েৎনবা কয়া পুরক্লিবনি হায়বসি ঐখোয়না কাউফম থোক্তে। অতোপ্পগী লাইনীং লৌরুবদগী হান্না চীংমী-তম্মী নুংশিননা লৈমিন্নরম্বা অদু অমাং অশেং খাইদোক-খাইজিন তৌবদগী চীংমী-তম্মী নুংশিনদনা চহী কয়াদি লৈরক্লে। থমজনীংলিবা ৱাফমদি, ঐখোয়গী ঈনাৎ, ইরোল, লাইনীং-লাইশোলবু ইন্দুনা চৎচবা হায়বসি য়াম্না লূম্না লৌগদবনি। ইশাগী ঈনাৎ লৈত্রবা, ইরোল লৈত্রবা, ইশাগী লাইনীং-লাইশোল লৈত্রবা ঐখোয়গী মালেমসিদগী মুৎখিবা শোয়দ্রবনি।



হিটলরগী মীনুংশি খঙদবা মীওৎ-মীনৈ অমদি মীহাৎ-মীপূন্দা মুৎলুরবা, চোখায়-চোখায় তারুরবা জিৱিসশিংনা মতৌ করম্না অমুক পূনশিন্দুনা ইজরেল হায়রিবা লৈবাক অসিবু শেমগৎতুনা হিংলকপা ঙল্লিবা অমদি হিংলকপদা নত্তনা মালেমদা মতিক-ময়াই লৈরবা লৈবাক খরগী মনুংদা চন্দুনা নোংশাগুম থৌনা ফনা নাইতোম লেপ্পা ঙল্লিবসি মখোয়গী অচেৎপা মনাৎপু অমদি মশাগী লাইনীং-লাইশোলবু চেৎনা থম্মোয়নুংদা কোনশিন্দুনা চৎচবা, ইঞ্জবা অসিনা অচৌবা মরম অমনি হায়না থমজগে। লাপ্পা লৈখিবা ইজরেলদি থমখ্রসি য়ূমলোন্ননা লৈরিবা নাগালেন্দ, মিজোরাম, মেঘালয়ানচিংবা ষ্টেটশিং অসিদা করিগী ঐখোয়দগী হেন্না পূনশিন্না, নংশিননা, লিংজেল মান্ননা হিংবা ঙল্লিবনো হায়রগদি মখোয়গী অপূনবা লাইনীং 'খৃষ্টেনিটি' অসিননি হায়না থমজগে। ঐখোয়গীদি লাইনীং-লাইশোল মান্নদবনা মৈতে গৌড়, মীতৈ সনামহী, মৈতে পাঙল হা অদু-অদা হায়দুনা চয়েৎনদুনা, য়েৎনদুনা অমনা অমদগী ঙম্নবা হোৎনদুনা লৈরিবা অসিনি। ঐখোয়সু ঐখোয়গী ইশাগী লাইনীং-লাইশোল হোংলমদ্রবদি ঙসি চয়েৎননা হিংলিবা অসিগী মহুত্তা পূন্না, নুংশি চান্ননা হিংমিন্নরমগদবনি। মরম অসিননি ঈনাৎ-ইরোল অমদি লাইনীং-লাইশোল হায়বসি চুম্নগী থাজবা খক্তগী ৱাফম নত্তে তৌইগুম্বসুং মসিনা ঐখোয়গী পুন্সিদা পূনশিনবা, হিংমিন্নবদা অচৌবা থৌদাং অমা লৌই হায়বসিনি।

অদুবু হন্দক চহীগী নিংঙোল চাক্কৌবা অসিদদি ইচিন ইনাও পূনশিনবদা ফাওজবা হরাও নুংঙাইবগী ইথিলদো মপূং ফাখিদবগুম ফাওখি ঐহাক্কী থম্মোয়দা। মসিমক ঐহাক্কী ইনাওশিং অমদি ইচলশিং, ইচাশিং অসিগী থম্মোয়দসু ফাওখিবনি। করম্নবু মপূং ফানা নুংঙাইজবা ফাওগদৌরিবনো ইরমদম কংলৈপাক্লা নাগা পিছ টোককী ৱারেপনা করি করম্বা লাইবক পুরক্কদগে হায়না ৱানরিঙৈ, মীপাইনরিঙৈ মতমসিদা। অসিগুম্বা ফীভমদা লৈরে হায়দুনসু অসিগুম্বা ঐখোয়গী মমল য়াম্লবা চহী অমদা অমুক্তং পাঙথোকপা নিংঙোলনা মবুং মৌপ্বা অমদি পলেম পম্থৌবু উনজদুনা পুকমেন পাওমেন্নজদুনা হরাও মোমোন মীনোক তমজদুনা চাকলেন অমা চামিন্নজবগী নিংঙোল চাক্কৌবা অসিবু তোকথোক্তুনা কপ্পুনা লৈবদি করিসু কান্নবা পুরক্লোইনা।

চাইনা হায়রিবা ইন্দিয়াগী য়ূমথংনবদা লৈরিবা লৈবাকসি অসুক্কী মতিক ৱানা হৌরকখিবনি। লৈবাক অসিদা মায়কৈ কয়াদগী হঞ্জিন-হঞ্জিন লান্দারক্তুনা চাইনিজ কয়া অমসু হাৎখ্রবনি। অসুম্না অৱাবা নংদুনতা লাকখিবা চাইনানা লাল থোক্লিঙৈ, হাৎন-শুনরিঙৈ মতম অমদি চানীংঙাই চিঞ্জাক লৈতবা মতমদফাও মখোয়গী চাইনিজ ন্যু য়র পাঙথোক্তবা য়াওখিদে। হায়জনীংবদি ঈনাৎ হায়বসি অসুক্কী মতিক লুনা, লূম্না লৌনৈ হায়বসিনি।

মীরমদা লৈজরবসু ঐখোয়সু নোংমা কাংদনা ৱাজরিবনি থম্মোয়সিদা ইরমদম কংলৈপাক্কী তুংগী তম্বা ঙমদবা ফীভম অসিদা। হকচাংনা লাপ্পা লৈজে হায়বগী ৱানি থম্মোয়, ৱাখল, পূক্নিংদি ইরমদমগী মায়কৈদা মীকুপ খুদিং, পুংজা খুদিং খন্দুনা লৈরিবনি। করিগুম্বা পামদবা থৌদোক অমা থোকপদা ইশাসে লৈবা ঙমদে নে-না তানা লাপ্পবা মীরমসিদা। করিগুম্বদা ইতোমতা 'খল্লুনু, করিসু তৌবা ঙল্লোইদবদা' হায়দুনা খন্দনবা হোৎনবা কয়াসু য়াওদবা নত্তে। অদুবু খল্লুনু হায়রব্দা হেন্না হেন্নদুম খনবা হৌরকই। থৌদোক অমা থোকপদা ইরৈচা কয়ানা মীপাইবা ফাওরিবা, মীহুন চোংলিবা ঐহাক্কী ইফমদসু ফাওরিবনি, চোংলিবনি।

ময়াম্না হেন্না খঙবী উবিরে হৌজিক হৌজিক ওইরিবা নাগা পিছ টোক্কী হীরম অসিনা পীরিবা মীপাইবা অমদি মৈশা। চহী ২২ ৱারী শানরকপদা য়ূমথংনরিবা ষ্টেট অসাম, অরুনাচল অমদি মণিপুরদা করি করম্বা ৱারী শানরিবনো হায়বসু খঙহন্দনা থম্লকপা। ঙসি ৱারী শানবা লোইরবসিফাওবদা করম্বা ৱারেপ লৌনখ্রে হায়বা খঙহন্দ্রি। ঐখোয়গী ঙমখৈদা অমদি ইন্টিগ্রিটিদা করিসু শোক্লোই হায়রগা করিগীনো আর্মি লিশীং-লিশীং থাজিল্লক্তুনা মফম খুদিংমক্তা থমজিল্লিবা। করিগী মহে তম্ফমশঙশিংদা আর্মিশিং থমজিল্লক্লিবা। থৌওং অসিনা জম্মু এন্দ কাশ্মীর থুগাইখিবগুম ইরমদম মণিপুরসু থুগাইখিগদৌরব্রা হায়না চিংনদবা ঙমদে ইরৈচাশিংনা। অসিগুম্বা হৌজিক পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক্কী ঙকচাও থেকপা মওং অসিনা হেন্নদুম খোইশাওনহল্লে অমদি মীপাইবা পোকহল্লে।

ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরনা ইন্দিয়াদা হেক তিলহনখিবা নুমিত্তুদগী ঙসি ফাওবদা ঐখোয়বু করিসু লৈতনা, উশিত্তনা য়েংদুনা লাক্লি। মদুগী খুদম কয়াগী মনুংদা খরা পঞ্জরবদা, জম্মু এন্দ কাশ্মীরনা মশাগী কন্সটিট্যুসন শেমদ্রিঙৈদা, ইন্দিয়ানা মশাগী কন্সটিট্যুসন শেমদ্রিঙৈদা ঐখোয় ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরদি বৃটিশতগী নীংখা তমদুনা ইরমদম মণিপুরগী কন্সটিট্যুসন শেমখ্রবনি। অদুগা করিগী ইন্দিয়ানা মশাগী ময়েকসু লৈজদবা, ঐখোয়গীদৌনা শাংলবা পুৱারীসু লৈবা নত্তবা, ময়েকসু লৈজদবা, অসাম ষ্টেটকী অপিকপা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনা লৈরম্বা নাগালেন্দবুনা হান্না ষ্টেটহুদ পীখিবা অদুগা ঐখোয়বুনা পার্ট সী ষ্টেট ওইনা থন্বীখিবা। ইন্দিয়াগী মনুংসি থমখ্রসি। অতোপ-অতোপ্পা মালেমগী মফম কয়াদা মশাগী ময়েকসু লৈজদবা, পুৱারীসু শেংনা লৈবা নত্তবা, ঐখোয়দৌনা কন্সটিট্যুসন লৈরম্বসু নত্তবা লৈবাক কয়া অমা নীংতম্বা লৈবাক ওইদুনা লৈরি বৃটিশ অমদি য়ুরোপিয়ন কোলোনিএলিজমদগী। অদুগা মশাগী পুৱারী চহী লিশীং অনী হেন্না লৈজরক্লবা, মশাগী মরোল অমদি ময়েকসু লৈজরিবা, মশাগী লাইনীং-লাইশোলসু অসুক্কী মতিক ৱাংনা লৈজরিবা, কন্সটিট্যুসনসু লৈজরিবা ইরমদম কংলৈপাক্লা ঙসি ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা লৈরি, মদুসু করিমত্তসু উশিৎপীদনা মীনাইগুম নী-নীদুনা হিংহনবা। করিগীনো হীরম খুদিংমক্তা ঐখোয়বু অসুক তাথিনা তৌবিরিবা। হৌজিক্লা অমুক নাগা পিছ টোকনি হায়দুনা কাঙলূপ অমখক্কী পেন্নবা হোৎনবদা ইরমদম মণিপুর করি ওইরক্কদৌরি খঙদনা নুমিৎ খুদিং মীপাইদুনা লৈনরি মীপূম খুদিংমক। অসুক মতিক ময়াই লৈনা হিংলম্বা ঐখোয়বু করিগী অসুম্না হিংলিবনো, হিংখিগদবনো হায়বসি হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা ইরমদমগী লৈঙাক্লসু খঙফম থোকই। অসিগুম্বা পেন্দবা মীয়ামগী খোল্লাও ঐখোয়সু খঙদবা নত্তে মীরমদা লৈজরবসু। অসিগুম্বা ফীভমসি লৈ হায়দুনসু ইশাগী ইরোল, ইয়েক, ঈনাৎ, লাইনীং-লাইশোল অমদি হৌন-লোনচৎ পূম্নমক কাউথোকপদি লানগনি হায়না থমজগে।

করিগুম্বা হন্দক্কী নাগা পিছ টোক্কী ৱারোইশিন খূৎয়েক পীনবদা ইরমদম থুগাইখিবা তারবসু করিগুম্বা ঐখোয়গী থম্মোয়দা ইশাগী হৌরকফম, ইশাগী ইরোল, ইয়েক, ঈনাৎ, ইশাগী লাইনীং-লাইশোলনচিংবা পোৎলমশিং অসিবু থম্মোয়নুংদা চেৎনা কোনশিন্দুনা চৎলবদি মচেৎ-মচেৎ থুগাইখিবা থোক্লবসু জিয়ুসশিংনা মখোয়গী লাইনীংনা, মনাৎনা, মরোলনা থাজবনা পূনশিল্লক্তুনা অকনবা, থৌনা লৈবা ইজরেল অমা শেমগৎখিবগুম ঐখোয়সু শোয়দনা পূনশিন্দুনা অকনবা পাঙ্গল শাগৎতুনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা নীংতম্বা তানবা ঙমগনি হায়না থমজগে। ইশাগী ঈনাৎ, ইরোল, ইয়েক অমদি লাইনীং-লাইশোলবু নুংশিদ্রবদি ইরমদম্বু করম্না নুংশিবা ঙমগদৌরিবনো, ঙল্লোই।

করিগুম্বা পিছ টোক অসিনা মণিপুরগী লৈঙাক্তা নৎত্রগা ঙমখৈদা হেক শোল্লককপদা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরসি ইন্দিয়াদগী তোঙান্না তারে নৎত্রগা প্রী-মর্জর ষ্টেটসতা অমুক হঞ্জিল্লে হায়না লাউথোক্কদবনি অমদি ইন্টরনেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিশকী মতেং লৌদুনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা লাল থেংনগদবনি। মসি মীয়াম্না অমদি সী এস ও খক্তনা থেংনগদবা নত্তে ইরমদমগী লৈঙাক্লসু মীয়ামগা পূন্না চৎমিন্নদুনা লাউথোক্কদবনি অমদি থেংনগদবনি। ঙসি ফাওবদা ইরমদমগী লৈঙাক্লা থৌনা ফনা ইন্দিয়াগী মথক্তা ৱা ঙাঙলক্তবদগী করিসু হায়রক্লোই হায়না কয়াদি কুইরে ঐখোয়বু অতোনবীগী মচাগুম, মীনাইগুম করিসু লৈতনা, উশিৎপীদনা, থৌওইদনা থম্লকপা। মসি পূম্নমকসি খঙলবা ফাওবদা ঐখোয় হৌজিকসু মখোয়গী মখোঙ কোন্দুনা অসুম চৎখিসি হায়রিব্রা?

নাকল অমরোমদনা য়াম্বেম বিরেন অমদি নারেংবম সমরজিৎনা লন্দন্দা পোলিটিকেল এসাইলম লৌদুনা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুর অসি নীতম্লে হায়না লাউথোরকপগী ফীভমসু লূম্না লৌদুনা লৈরিবা ফীভম অসিসু খন্দবা নত্তে। অসিগুম্বা লুরবা ফীভম অনীসিদা করম্না ঐখোয়না চহী অমদা নোংমখক পাঙথোকচবা ঐখোয়গী ঈনাৎকী ওইবা য়াম্না মরু ওইরিবা নিংঙোল চাক্কৌবা মপূং ফানা, হরাও তয়াম্না, নুংঙাইনা পাঙথোকচবা ঙমগদৌরিবা। অদুবু ঐখোয়গী য়াম্না মরু ওইবা ইনাৎনি, মরু ওইবা নুপীজা ওইবীশিংবু ইকায়খুম্নবা অমদি নুংশিবা উৎচবগী থৌরমনি খঞ্জদুনা ঐখোয় খরা পূনশিন্দুনা অঙন্বা হোৎনজদুনা পাঙথোকচরিবনি নিংঙোল চাক্কৌবা। মায়থোঙদা হায়ফেৎ মোমোন নোকচরবসু থম্মোয়দদি, পূক্নিংদদি ৱাজরিবনি ঐখোয়সু ইরমদমগীদমক। নিংঙোল চাক্কৌবনা য়াইফরে, ঈনাৎনা য়াইফরে, ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরনা য়াইফরে। ●

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### নিংঙোল চাক্কৌবা নুমিৎ

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

লমদম অসিগী নাৎকী চৎনবী ওইনা য়াম্না ঙল্লিঙৈদগী চৎনরক্লিবা ময়ূম পানখ্রবী চনু নিংঙোলশিংবু মবুং-মৌপ্বাশিংনা হিয়াঙ্গৈগী ২নি পানবদা চাক্কৌদুনা নুংশিনা চামিন-থকমিন্নবগী চৎনবী অমা চহী ২০০০ হেনবদগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি। থৌরম অসিনা হৌরকখিবদি খৃ: ৩৩ এ দিদা লৈবাকসিদা নিংথৌ ওইনা পানখি হায়না পানরিবা নোংদা লাইরেল পাখঙবগী মতমদগীনি হায়না 'মৈহৌরোল য়ূম্বী' কৌবা পুয়াদা ময়েক শেংনা পল্লি। মতমদুদা পোইরৈতোন্না মতম কুইনা নিংথৌগী লৈমা ওইখিবদগী উনখিদ্রবা মচনুপী লাইস্নাবু চাক্কৌদুনা চামিন্নখি। অসুম্না লমদমসিদা য়াম্না ঙল্লিঙৈদগী অকক্লবা থবালশিংদা (খুনুংমাকমৈ) পাঙথোল্লককপা মরু ওইবা লাইথৌ অমদি হরাও কুম্মৈ খরসু লৈরি। মদুদি শজিবু ৭নি পানবগী 'কোংবা লৈথোঙ ফাৎপা' কালেন অমদি ইঙা থানিলগী 'পাখঙবা চেঙহোঙবা' অমদি 'সনামহী চেঙহোঙবা', মেরা নোংমা পানবগী 'চাওরেল হৌবা', হিয়াঙ্গৈ নোংমা পানবগী 'চনৌহুইচীন্তু' ২নি পানবগী 'চাক্কৌবা' ফাইরেল ৫নিগী 'লৌতাবা' হায়রিবশিংসিনি। মতাং অসিদা পল্লিবা থবাল হায়রিবসি 'খুনুংমাকমৈ' হায়না খঙনবা মখল অমনি। মসি 'খুথেক' হায়নসু খঙনৈ।

মতাংসিদা শেংনা খঙদবা য়াদবা অমনা লমদম অসিগী অঙনবা মতমগী থাবাল্লোল পাবগী কাঙলোন অসিনি। মসিগী মওংদি থাগী মশক অদু য়েংলগা নোংমগী ওইনা খূৎ থেল্লগা পাবনি। হায়বদি থা অদুনা য়াম্না পিক্লা মশক উবা হৌরকপদগী য়াম্না চাউরম্লগা খরা খরা পিকশিনখিদুনা মশক উবা ফংখিদবা নুমিৎ অদু ফাওবদা খূৎ থেল্লগা মশীং পাবনি। মদুদা ফংলিবা মশীং ১/১বু নুমিৎ ১/১গা কোন্নহল্লগা থবাল (মাকমৈ) ১/১ ওইনা পাবনি। মসিবু 'খুনুংমাকমৈ' নৎত্রগা 'খুথেক' হায়না কৌবনি। মসিদা থা ১গী নুমিৎ মশীং ৩০শুই। থা ১২না চহী ওই। চহী ১দা নুমিৎ মশীং ৩৬০ শুই। কুম্বারোল অসিগী মচত্তনি হৌজিক্কী পাঞ্জশিংনা দশা য়েংবগী কাঙলোল শীজিন্নরিবসি। কুম্বারোল অসি ঙল্লিঙৈ মতমদদি ইন্দিয়া অপূনবগী ওইনা চৎনরম্মী। চহীসিগী মীংবু সংস্কৃট লোন্দা 'শাবনবর্ষ' হায়না কৌই। কুম্বারোল অসিগী য়ূমফমদগীনি 'সোলর সিষ্টেম' পুথোকখিবা লন্দন মচা 'গ্রোগরী' না লেটিচুট অমদি লোঙ্গিচুটকী দিগ্রীবু ৩৬০° পুথোকখ্রিবসি। অদুবু চহীগী নুমিৎ মশীংদি ৩৬৫, পুং ৬, মিনট ৯, সেকেন্দ ৯.৮ ওই হায়না পুথোল্লককখি। মসিবু অমুক বেঙ্গোলগী পাঞ্জিশিংনা খন্ন-নৈনদুনা বর্ষমান ৩৬৫, ১৫, ৬১, ২৪ অনুপল ওই হায়না য়ানখি। অদুবু লমদমসিগী ওইনদি হায়রিবা মতমসি য়ৌরক্ত্রিঙৈদা চৎনরম্বা 'খুনুংমাকমৈ' হায়বা থবাল অদুগী মচত্তা শেমখিবা লাইথৌশিং হৌজিকসু কায়দনা চৎলি। নুমিৎ অমগী মনুংদা থবাল ২ পানবা চৎনদে।

মতাংসিদা পন্দবা য়াদ্রিবনা লমদমসিদা অনী থোকপগী লাইচৎ লাকখিবসি চহী ফনা য়াম্লে। মসিনা মপাল্লমগী লাইনীংগী থৌরমশিং ফাওবা কোনশিল্লক্তুনা হন্দক্তি ইন্দিয়াগী ভ্রাতৃদ্বিতীয়ানা ঐখোয়গী চাক্কৌববু অনী থোকহনবা ঙমখ্রে। হোয়, চুম্মী। মালেমগী ওইনা চৎনরিবা তিথিগী কাংলোন্না খুনুংমাকমৈগী নোংমা পানবা নুমিত্তা দ্বিতীয়াগী পুং চংঙি হায়বসি লান্দে। য়োতিষ শাস্ত্রনা য়াই। মরমদি মালেমগী অখণ্ড-অহৈশিংনা অক্ষাংশ অমদি দ্রখিমাংশ কয়াদা লমদম অমগী তিথিগী পুংফম হৌবা, লোইবা খঙবনা। অদুবু মালেমগী অতৈ মফমশিংগী ওইবা দ্বিতীয়া নুমিত্তা পাঙথোকপা থৌরমশিংদি লৌখৎত্রগা ইন্দিয়াগী ভ্রাতৃদ্বিতীয়াবু নিংঙোল চাক্কৌবগা হায়ফেৎ মান্নে হায়দুনা নোংমা পানবগী অরুবা লাইথৌ 'চনৌহুইচিন্তু' বু থৌওইদনা চাক্কৌশিনখিবসিদি মৈতে খুন্নাইগী নাৎপু শীংনবনি। লাইথৌ অসি কুমগী অনৌ-অপেৎপু লাইদা কৎপা নুমিৎনি। নুমিৎ অসিগী থৌরম পাঙথোক্ত্রিঙৈদা নিংঙোন্দা হান্না পীজবা য়াদে। খুনুংমাকমৈ হায়বসি 'সৌরমাস' হায়বা অদুগুম্বনি। ২ পানবা য়াবা নত্তে। খুদম ওইনা চড়ক পূজা, বিশ্বকর্ম পূজা তিথিদা পাঙথোকপা য়াবা নত্তে। অদুনা য়াম্না লাঙবা ফত্তে। ঙরাং-নহান্তা রথ যাত্রা, কৃষ্ণস্তমিদা ২ থোকখিবদু কনামতা লাংদনা তুমিন-তুমিন তৌনখিবদু খঙজিনবা ফৈ।

*অদোমগী - শমচেৎশাবম কোন্দুম্বা*
*মাইবহনবা, উত্রাশঙলেন, সনাকোনুং।*

### নীংতম মৈরাদি চুখৎপা হৌখ্রে

ইকাই খুম্নজরিবা এদিটর,

মালেমগী লৈকোন্দা ইমা-লৈবাক মণিপুরবু নীংতম্না ফুগায়না অমসুং হরাও-হরাও শাৎচবা ঙম্নবা থৌনা-লীংজেন ফরবা লুচিংবা য়াম্বেম বিরেন অমসুং নারেংবম সমরজিৎ অনীনা হন্দক্তা য়ুনাইটেদ কিংদমদা মণিপুরগী নীংতম মৈরাদি ইহান হানবা ওইনা চুখৎপা হৌখ্রে। য়ুনাইটেদ কিংদমদা চঙজফম লৌদুনা মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল হায়বা একজাইল গভর্ণমেন্ট অমা শেমদুনা কাউন্সিল অসিগী চীফ মিনিষ্টরগী থৌ পুরিবা য়াম্বেম বিরেন অমসুং এক্সটর্নেল এফেরস অমদি দিফেন্স মিনিষ্টরগী থৌ পুরিবা নারেংবম সমরজিৎ মখোয় অনীনা মণিপুর অসি ইন্দিয়াদগী তোখায়রে হায়না লাউথোরকপদগী মালেমগী কাচিন কোয়া মফম খুদিংমক্তা ৱা-ৱা লাউনা খঙহনখ্রবনি। অসিগুম্বা খংলাক-খংজিনগী পাউ অসি সনা কোনুং য়ৌরকপদা, ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা য়াম্না লাইবক থীবা, মঙগুম্বা অঙকপা থৌদোক অমনি হায়না মশা পুম্বা নিকখি হায়নরি। মখোয়না অসুম্না ফোঙদোক্লক্কনি হায়বা অসি খঙলম্বা তারগদি নিংথৌ মশামকসু অতোপ্পা মীনা পোংনা উরোইদবা মফম চাবা অমদা লোত্তুনা লৈরম্লগনিসু হায়নৈ। পুকচেল শেংনা ৱা তাথোক-তাশিন তৌদনা অসুম্না ইন্দিয়াগী মায়োক্তা লাউথোকপা অসিনা মপু শক্লিবা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লা মমা-লৈবাক মণিপুর অমসুং নিংথৌ মশা মক্তা করি তৌরক্কনি হায়বগী কিজবা হঙ্গোইবা অদুনা ইনিংথৌগী পূক্নিং ৱাখল অসি লৈতাহন্দ্রে হায়বনি।

ইনিংথৌদসু নৎত্রি লমদম অসিগী মীওই কাঙলুপ খরসু ৱাফম অদু তাবদা খংপ্রেক-খংপ্রেক খংনবা য়াওনরমগনি। অদুগুম্বা থবক থৌরম অদু তাক্লম্নসু লৈতে, য়াওজখিবসু লৈতে হায়বিরিবা ইনিংথৌ ফাওবনা হকচাং পূম্বা তনিক তনিক তৌদুনা লোৎকে ফাওবা খল্লম্লগনি, মীচম-মীয়ামগীদি লোৎফমসু, চেনফমসু লৈজদ্রিবনি। মদুগী মহুত্তা দেমোক্রেসিগী ফজখ্রবা ৱাহৈ-লৈতেং কয়া শীজিন্নদুনা থৌনা ফনা লেপ্পা লেপ্পা মপু ওইজরিবা ইনিদয়াগী লৈঙাকপু থেংনবা তারকই। হায়জরিবদি লোৎপগী থবক অসি মতাং মমেন চাহৌদ্রবদি ইফ ফজনিংঙাই ওইদে। ইন্দো-নাগা 'ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট' অসি মতম শাংনা করিনো হায়বা খঙহন্দবমখৈ লোৎশিন্দুনা থম্বগীদমক, ইন্দিয়া অসি পুকচেল শেংদবা, অরোন-অথুপ্পা থল্লবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমনি হায়দুনা ফোংনা ফোংনা ঙাঙনা-শক্লবা হৌরক্লি। নারোন্দা টেররিষ্ট কাঙবুনা তৌবা থবক অদুবুদি পাঙদবগী খুদম্লি হায়নরি অদুগা ষ্টেট খরগী মশাগী অপুনবগী শক্তম ইন্টিগ্রিটিবু থুগায়বা য়ারকপা ইন্দো-নাগা পিছ টোক্কী ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অসি নারোন্দা য়াথোক্লরম্বা ওইরগদি, অদুগুম্বা থৌওং অদুদি পাঙদবগী শাজৎ লীচৎ ওইরোইদ্রা? অদুগীসু মথক্তা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মালেমদা খ্বাইদগী চাউরে, খ্বাইদগী শাংলে হায়জরিবা দেমোক্রেসি অসি ফোপচাউনবা, মপাঙ্গল-মথৌনা ৱাৎচবা পাঙদবা দেমোক্রেসিনি হায়না মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংনা মপূক্নিংদা খল্লমদনিংঙাই ৱা লৈরোইদৌরিবনি। অসুম্না করিগুম্বা ইচম চমজরিবা ইনিংথৌ লৈশেম্বনা লোৎলম্বা থোক্লবদি করিগী লোৎলিবনো হায়না লৈবাক মীয়াম্না হংনরকপদি শোয়দ্রে। ইচম চম্বনিনা ইফোং ফোংনা ইমা-লৈবাক মণিপুরগীদমক লৈজরিবনি খনবিদুনা নুংনাংদনা লৈবনা হেন্না ফগনি খঞ্জে। নাকল অমরোমদা, লন্দনগী পাউ অদু তাবদা, শুপনম-শাসন তৌবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা চাউরবদা চীফ মিনিষ্টরগী ফম পায়দুনা নৎত্রগা পান্দম য়াওজদ্রবা মমিংতা ওইবা সনা কোনুংগী নিংথৌ ওইদৌ শরুক পিল্লবসু পিক্লা সোবরিন কন্ত্রি অমগী পুন্সি মহিং অদু ফংলবা য়াই হায়দুনা হেন্নদুম হরাওবা মীওই লিশিং কয়াসু ময়াওরমগনি।

মণিপুরগী হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিষ্ট ইরোম চনু শর্মিলানা চয়েৎনরিবা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱার্স এক্ট অমসুং হ্যুমেন রাইটস কয়া খোঙ্গাওনবগী মায়োক্তা চহী ১৬ চরা হেন্দুনা মালেমদা মণিপুরবু মশক তাকখি। মণিপুরগী থৌনা ফরবা নুপীশিংনা মীচম-মীয়াম্বু ওৎ-নৈরিবা, তুহৎপিরিবা অমসুং হাৎপনচিংবা তৌরিবা অসাম রাইফলসপু কংলাদগী লৌথোক্লবা ফি থোংদবা খোঙজং চংশিন্দুনা মণিপুরগী মরমদা মালেমগী মীয়াম্বু খঙহনখি। অসুম্না জগোই ঈশৈ অমসুং স্পোর্টসকী লম্দসু মালেম পুম্বনা মণিপুরবু থোইদোক হেন্দোক্লা মশক খঙবিরিবনি। অদুবু হায়রিবশিং অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মফমদা শামু মথুন্দা পেনা খোংবগুম ওইনা থোক্লি।

লৈবাক অমা চাওখৎপা ওইহনগে নৎত্রগা অতোপ্পা লৈবাক্লা উশিৎহনগে হায়রগদি হীরম কয়াদা অঙক-অঙকপা থবক য়াম্না তৌফম থোকই। য়াম্বেম বিরেন অমসুং নারেংবম সরমজিৎ অনীনা হন্দক তৌথোরক্লিবা থবক অদু মমা লৈবাক মণিপুরগীদমক নুপা থোক্লা তৌবা অঙকপা থবক অমনি। অদুবু হংনিংলিবদি মখোয় অনীনা নীংতম মৈরা চুখৎখ্রবদা মণিপুরগী লৈবাক মীয়ামদি নীংতম মৈরা চুখৎনখিরোইদ্রা হায়বসিনি।

*অদোমগী- দো. এন জি. মঙ্গি, সেগা রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।